# ব্রহ্মমোস মিসাইল অমসুং টেঙ্কশিং লৈনবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লূপা ক্রোর ৩,০০০ অয়াবা পীখ্রে




***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১ঃ***

নেভিগী ষ্টিল্‌থ ফ্রিগেট অনী গী ব্রহ্মমোস সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইলশিং অমসুং আর্মিগী আর্জুন মেইন বেটল টেঙ্কশিংগী অর্মর রিকোভরি ভেহিকলশিং য়াওনা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি লূপা ক্রোর লিশিং ৩ রোমগী মিলিটরি প্রোক্যুর্মেন্ট অয়াবা পীখ্রে হায়না সিনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পোৎ-চৈ লৈবগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী খ্বায়দগী ৱাংবা ৱারেপ লৌবা বোদি দিফেন্স এক্যুইজিসন কাউন্সিল (দি এ সি)না ইক্যুমেন্ট মখল অনীমক্কী অয়াবদু পীখিবনি হায়না সিনিয়ার মিলিটরি ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমালা সিটরমন্না চিয়ামেন্ট ওইবা দি এ সিনা লূপা ক্রোর লিশিং ৩ রোমগী দিফেন্স ইক্যুপমেন্ট লৌনবগী অয়াবা পীখিবনি।

ইন্দিয়ানা দোল্লর বিল্লিয়ন অমা চঙনা ষ্টিল্‌থ ফ্রিগেদ অনী লৈগদৌরি অমসুং জহাজ অনীমক অদুদা ইন্দিয়ানা মশানা শাজবা ব্রহ্মমোস মিসাইলশিং পানশিনগদৌরি। ইন্দিয়ানা দিজাইন তৌজবা মিসাইল অসি চাংয়েঙলবা অমসুং প্রম্মান তৌরবা সুপর সোনিক ক্রুজ মিসাইল অমনি অমসুং মসিনা জহাজশিং অসিগী মথক্তা মরুওইবা খূৎলাই অদু ওইগদৌরি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

মসিদা নৎত্তনা দিফেন্স এক্যুজিসন কাউন্সিলনা ইন্দিয়ান আর্মিগী মেইন বেটল টেঙ্ক, আর্জুনগীদমক আর্মোরদ রিকোভরি ভেহিকলশিং লৈনবগী অয়াবসু পীখি ভেহিকলশিং অসি দিআরদিওনা পুথোকপনি অমসুং দিফেন্স পব্লিক সেক্তর অন্দরটেক্কিং বি ই এম এলনা শাগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# চহি ১২গী মতূংদা ইন্দিয়া-রসিয়া-চিনানা শেন্মিৎলোন চাউখৎনবগী মতাংদা নাকন ৩গী ওইবা মীফম পাংথোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১ঃ***

অর্জেন্টিনাগী ব্যুইনোজ এরিজদা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা তেঙবাংননবগী মতাংদা খন্ননবা পাংথোক্লিবা জি ২০ সমিট য়াওবা লাক্লখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমসুং রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমি পুটিননা চহি ১২গী মতূংদা লৈবাক অহুম উন্নবগী অনী শুবা ওইনা ঙরাং নাকল অহুমগীওইবা মীফম অমা পাংথোকখ্রে।

ইন্দিয়া- রসিয়া- চিনা গী মীফম অদু জি ২০ সমিট অদুগী নাকনদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেনজো অবে অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল ট্রম্পনা মখোয়গী অহানবা ট্রাইলেটরেল মিটিঙ পাঙথোকখ্রবগী পূং খরগী তুংদা পাঙথোকখিবনি।

মরু ওইরবা দিভলপমেন্ট পাটনরশিংগা হকচিন্না ৱারী শানরদুনা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমি পুটিন, প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ব্যুইনোজ এরিজদা আর আই সি (রসিয়া-ইন্দিয়া-চিনা) ট্রাইলেটরেলদা শরুক য়ারি হায়না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিস (পি এম ও) না হায়খি।

মসিগী মমাঙদা ইন্দিয়া-জপান অমসুং য়ু এসনা মখোয়গী অহানবা ট্রাইলেটরেল মিটিঙদা মালেমগী ওইবা অমসুং তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা খন্নখি। খন্নখিবা অদু লানগী মীৎয়েঙদা মরুওইরবা ইন্দো -পেসিফিক রিজনদা চিনানা মশোঙ ফনগৎলকখিবা অদুগী য়েঙলগা মরু ওইবা অমনি।

মীফম অদুদা ইন্দো-পেসিফিকপু লৈবাক পূন্নমক্কী পূন্না শেন-থুম চাওখৎমিন্নবগী লমদম অমা ওইহন্নবগী ইন্দিয়াগী অচেৎপা ফিরেপ অদু ইন্দিয়ানা অমুক্কা হন্না ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ানা পূন্না শরুক য়ামিন্নবা কান্নবশিংগী মতাংদা মখা তানা পূন্না থবক তৌমিন্ননবগী ফিরেপ অদু চেৎশিহল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঐখোয়গী লৈবাক অহুম- জপান- অমেরিকা-ইন্দ্রিয়াগী অশন্বী ৱাহে জে এ আই (জয়) হায়বিদি হিন্দী লোন্দা মায়পাকপা হায়বা ৱাহে অদু উগনি হায়খি।

# বসুনধরা রাজে অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা শকখিবা ৱাশক ঙাকপা ঙমদনা মায়থিরেঃ পি চিদম্বরম

***জয়পুর, নবেম্বর ১ঃ***

সেন্টর অমসুং রাজস্থানদা লৈরিবা বি জে পিগী গভর্ণমেন্টশিং মীয়ামনা পীখিবা ৱাশকশিং থবক ওইনা পীবা ঙমদনা মায়থিরে অমসুং মরম অদুনা হৌজিক অহোঙবা অমগী মতম অদু ওইরে হায়না হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।




মিষ্টর চিদম্বরমগী মতুং ইন্না চহি ৫ গী মমাঙদা রাজস্থানগী মীয়ান্না হৌখিবা এসিমব্লি মীখলদা ভোত থাদখিবগী মতম অদুদা নরেন্দ্র মোদিগী অঙকপা খোল্লাওশিং অমসুং মীয়ান্না পূক্নিং চীশিনগদবা ৱাশকশিং অদুদা ঙাওনখি হায়রি।

বসুনধরা রজেনা রাজস্থানদা লৈঙাক্কী শক্তি পায়রকখিবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মচিন তুমখৎলকখিবা অদুগী মরমদগীনি হায়রদুনা সেনিয়র কংগ্রেস লূচিংবা অদুনা মখা তারদুনা হৌজিক্তি নরেন্দ্র মোদি(প্রাইম মিনিষ্টর) নৎত্রগা বসুনধরা রজে(চীফ মিনিষ্টর)না মীয়ামদা শকখিবা ৱাশক অদু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা দিজিৎ ২গী ইকোনোমি গ্রোর্দ লৈহন্নবগী ৱাশকখিবা অদু পীবা ঙমদ্রে নহরোলশিংদা পীনবা থবকশিং পুথোকপা ঙমদ্রে মীয়ামগী সেভিঙশিং হেনগৎহনবা ঙমদ্রে। কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট অমসুং এক্সপোর্টশিংসু হেনগৎহনবা ঙমদ্রেহায়না জয়পুরদা পাংথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা মিষ্টর চিদবরমনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি দি মোনিটাইজেসন অমসুং ফত্তবা ৱাখল্লোনগী গুদস এন্দ সরভিসেস টেক্স (জি এস টি)না থবক মিল্লিয়ন কয়া মাংহল্লে, অপিকপা লল্লোনবশিং, মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজশিংবু শেন্দোনদা পুথহল্লে। ফিভম অসি রাজস্থানদসু হেন্না ফগৎপা নৎতে ষ্টেট অসিদা মমাঙদা লৈরম্বা কংগ্রেস গভর্ণমেন্ট মতম অদুদা গ্রোস ষ্টেট দোমেষ্টিক প্রদক (জি এস দি পি) চাদা ৬.৫ লৈখিবা অদুদগী হন্থরক্তুনা ২০১৩ অমসুং ১৮ দা চাদা ৫.৭তা লৈখ্রে। ষ্টেট অসিদা ক্রাইম হেনগৎলকখ্রে। এদুকেসনগী ষ্টেন্দর নুপী লাইরিক তম্বগী চাং, হকশেনগী খুদোঙচাবা পূন্নমক অসি চপ মান্ননা ষ্টেট অসিদা ফৎত্রে হায়না কংগ্রেসকী লূচিংবা হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনষ্টর পি চিদম্বরন্না হায়খি।

# রাহুল গান্ধীনা লান্মীশিংবু ইকাইবা পীখিঃ অমিত শাহ

***জয়পুর, দিসেম্বর ১ঃ***

পাকিষ্টানগা ইন্দিয়াগা অনীগী মরক্তা লৈরিবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) ৱাংমদা ২০১৬দা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক তৌখিবা অদুবু উত্তর প্রদেশ এসেমব্লি মীখল মায় পাক্নবা চৎখিবনি হায়না রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোক্তুনা মহাক্না ইন্দিয়ান আর্মিগী লান্মীশিংবু ইকাইবা পীখি হায়না বি জে পিগী চীফ অমিত শাহনা ঙসি কংগ্রেস প্রসিদেন্ট অসিগী মথক্তা মরাল শিংখ্রে।

বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা হায়খি, ঙসি অর্মি জৱানশিংনা মখোয়গী তূংদা গভর্ণমেন্টনা চিংজাওগুম লেপ্পি হায়না চাউথোকচবা অমা পোক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পাকিষ্টানগী মখূৎতা সহিদ ওইখ্রবা আর্মিগীদমক লমন খুমখি। অদুবু মদুগী ওন্ন তৈনবদা রাহুল গান্ধীনা পাকিষ্টানদা চৎখিবা ইন্দিয়ান আর্মিগী সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অদুবু উত্তরপ্রদেশ এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা মায় পাক্নবগী হায়জিনখি। অসুন্না নহাক্না লৈবাক অসিগীদমক মথ্বাই কখোল্লিবা থৌনা ফরবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকাইবা পীরে। মসিদা নহাক্না থৌনা খরা ফাওবা উৎপা ঙমদ্রে হায়না রজস্থানগী জোধাপুর দিষ্ট্রিক্কী ফালোদি টাউনদদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা অমিত শাহনা হায়খি। কংগ্রেসতি কনানা লূবা ওইগদগে লাওথোকপা ঙমদবা পার্টিনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ꯑꯌꯨꯛꯇꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯏ/URGENTLY WANTED

| POST | VACANCY | PREFER | SALARY |
| --- | --- | --- | --- |
| Helper/Nannies | 50 | Meitei / Tribal | 3500-5500 |

Contact no. : 9862780781 & 8416065510

Time : 10:00 a.m. - 4:00 p.m.

SL/BILL/30days

# আই এস আই এস তগী চেনখিবা, সিরিয়াদা সেরেন্দর তৌখিবা হায়দর জম্মারনা ৯/১১ হায়জেকর রিক্রুট তৌখিবা মীওই অমনি

***দামস্কস, দিসেম্বর ১ঃ***

সিরিয়াদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী করটিস এলাইশিংগী মনূং হঞ্জিনবা মরুভুমিগী চেকপোইন্ট অমদা চহি অসিদা সেরেন্দর তৌরকখিবা মোহমেদ হায়দর জম্মার কৌবা মীওই অদু মতম অমদা, অমেরিকাগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী চাওবা থৌদোকশিংগী মনূংদা অমা ওইরিবা ২০০১ সেপ্টেম্বর ১১(৯/১১)দা ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টরদা মীওই ২,৯০০ হেন্না শিখিবা এটেককী হায়জেক্করশিং রিক্রুট তৌখিবা মীওই অমনি হায়রি।



অঙকপা টেরর এটেক অদুগী মতূংদা য়ুএস নিউজ ওর্গনাজেসন অমগা মহাক্কা অহানবা ওইনা সিরিয়াগী কামিস্লি সিটিগী মপান্দা লৈবা মহাক্না লৈরিবা জেলগী কর্দিস গার্দশিংনা ঙাকশেন্দুনা উন্নখি। মদুদা মহাক্না সিরিয়াগী লৈঙাক পায়রিবা বাসর অল অসাদ ফেমিলিগী ময়োক্তা অহানবা লান হৌরকখিবা ফাইটিঙ ভেনগার মুস্লিম ব্রদর অহুম য়াওরকখিবদগীনি ওসামা বিন লাদেনগী অলকৈদা অমসুং আই এস আই এস য়াওরকখিবা ফাওবগী মাগী পূন্সি খোঙচৎকী শাংলবা ৱারী অদু লিখি।

হৌজিক মশাগী চহি ৫৭ শুরবা জম্মার সিরিয়া অমসুং জর্মন অনীমক্কী সিটিজনসিফ ওইরি। ১৯৮২দা মহাক্না আর্ম কনফ্লিক্তা য়াওনবা অহানবা হোৎনখি। মুস্লিম ব্রদরহুদকী খূলাই পায়বা ৱিঙ ফাইটিঙ ভেনগার্দতা য়াওনবা সিরিয়াদা চঙনবা জোরদানদা লাকখি অমদুবু জোরদাননা মহাকপু তানথোরকখি। কোঙচৎ অদুদা মহাক্না মাগী তূংগী পূন্সিদা অচৌবা শক্লোন অমা লৌগদৌরিবা মুহম্মেদ অল-বহেয়া কৌবা হৌজিক্কী সিরিয়া লান অসিদা কোন্না মরুওইবা লূচিংবা অমা ওইরক্কদৌরিবা অবু খালেদ অল-সুরি কৌবা মীওই অদু উন্নখি।

মীওই অসি উন্নবদগী মীওই অসিমক্না চল্লাইবা মিলিটেন্ট কেম্পশিংদা মিলিটরি ট্রেনিং তৌননবা ১৯৯১ অহানবা ওইনা অফগানিষ্টানদা চঙখি। ১৯৯৯দা অফগানিষ্টাদা অমুক্কা হন্না চৎপদা মহাক্না অলকাইদা লূচিংবা ওসামা বিন লাদেনগা অমুকখক উন্নরকখি। মদু ৯/১১ এটেককীদমক থৌরাং তৌরবা মীওইশিংদুগা মহাক্কা লোয়নবা মরমদগী মহাক্কা উন্দুনা চেক তৌবা পাম্বদগী বিন লাদেন্না মাবু কৌরকখিবা মাল্লি হায়খি। অদুবু ৯/১১ গী প্লোট অদুগী মতাংদা মহাক্না মাঙজৌনবা মরম অমত্তা খঙদে হায়রি। ঈশ্বারনা খঙগনি থমোই শেংনা হায়রবদা এটেক অদুগী মরমদা করিগুম্বা অমতা খঙদে। মখোয়নসু ঐখোয়দা করিমত্তা হায়রকখিদে হায়খি। এটেকশিং অদুগী থা ৩লোমগী মতূংদা মহাক্কী মশক উখিদ্রে। অদুবু মোরোক্কোদা চৎপা খোঙচৎ অমদা মোরোক্কান পুলিসনা মহাকপু ফারগা সিরিয়াদা থারকখি।

মদুগী মতূংদগী চহি ১২ দমসকসকী মপান্দা লৈবা সিরিয়াগী তমথিরবদা মমিং চৎলবা সেদনয়া প্রিজন্দা অৱাবা খাংখি। ২০০৮ তা মহাকপু জেলদা লৈনবগী চহি ১২গী চৈরাক পীখি। ২০১৩দা মহাক্কী অরিবা মরুপ বহয়া-অবুখালেঅল-সুরিনা নেগোসিয়েট তৌনদুনা সিরিয়ান অর্মি ওফিসারশিংগা মহুৎ শিন্নদুনা অতৈ ইসলামিক ৬ কা লোয়ননা জেলদগী থাদোরকখি। হেক থাদোক্ললগা স্লামিক ষ্টেট কৌবা নৌনা শেমখিবা গ্রুপ অদুদা য়াওখি। অদুবু সিরিয়া অমসুং ইরাকতা ইসলামিক ষ্টেটনা পায়রম্বা মফমশিংদগী মখোয়বু অমেরিকানা নোংথক্তগী বোম থাদরক্লদুনা মথং মথং তকথোরকখি। ফিভম অদুদা মহাক্না য়ু এস না ঙাক্লে পীবা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সেসতা সরেন্দ্র তৌনবা খনখি।

চেনথোকপা পাম্বা অতৈ ইমূং-মনূংশিংগা পূল্লগা মখোয়না আই এস আই গী মখূতগী লোন্না নাছোল্লকখিবনি হায়খি। য়ু এস নিউজ ওর্গনাইজেসন অদুগা উন্নখিবা অদু লোয়রবা ফাওবদা জর্ম্মনবু কর্দিস গার্দশিংনা পুশিনখিবা অদু ফাওবদা মহাক মালেমনা চখরিবা চুমদবশিং অদুগী ময়োক্তা অদুমক ৱা ঙাং-ঙাংদুনা চৎখি।

# লূপা ক্রোর ১০,০০০ ফুক্কৎহৌনবা ইন্দিয়ান বেঙ্কশিংনা হৌজিক মল্লয়াগী ইমপ্রেস সুপরয়াচতা মীৎয়েঙ থল্লি



***লন্দন, দিসেম্বর ১ঃ***

হৌজিক বেঙ্কশিংগী শেন্দোননা য়োমশিল্লবা মতম অমগী নূংঙাই-য়াইফনা অচাউরমগী পূন্সি মরেল লেল্লমখিবা তাইকুন বিজয় মল্লয়ানা শিংগৎলকফম থোক্লিবা লূপা ক্রোর ১০,০০০গী শেনফম অদু খরদা ওইরবসু লৌদুনা ফুখৎহৌনবা ইন্দিয়ান বেঙ্ক ১৩গী কন্সোটিয়ম অমনা মল্লয়াগী মিটর ৯৫ শাংবা ইন্দিয়ান ইনম্প্রেস কৌবা সুপরয়াচট মীৎয়েঙ তমখ্রে।

২০০৬দা মহাক্না লৈখিবা হি অদু ২০১৫দা সিট ১৫গী সিনিমা অমা স্পিা অমসুং ষ্টিম রুম অমা ব্যুটি সেরোন অমসুং জেন্টলমেন্দ লোঞ্জ অমা হাপচিন্দুনা লূপা ক্রোর ৪৪.৫ চঙনা অমুক্কা হেন্না লূ-নান্না শেমজিনখ্রবনি। মসিদা দেক ৪ লৈ নূংঙাইনা মতম লেন্নবগীদমক অচৌবা সন দেক অমসু লৈ। সন দেক অসিদা তাইকুন অসিনা মীওই লিশিং অমা হেন্না বার্ত্তন তৌদুনা মোনেকো গ্রান্ট পিক্স মতমদা ফোরমুলা ৱা পার্টিশিং তৌই।

কতারগী নিংথৌকোল ইমূং গী মীওই অমগীদমক দটচ য়ার্দ ওসিনকো না ২০০০দা শাখিবা হি অসি দোল্লর মিল্লিয়ন ৯৩ রোম চংঙি মদু ইন্দিয়াগী পৈশাদা লূপা ক্রোর ৬৪৮ লোমনি অদুবু মেরিটাম বিলশিং পীদবগী মমাঙদগী সেপ্টেম্বর ২০১৭দা মল্লয়ানা মহাক্কী হি অদু মলতাদা থমলমখি।

সিফাদরস য়ুনিয়ন নোটিলস ইন্টরনেসনেলনা ইন্দিয়ানশিং য়াওনা ক্রু মেম্বর ৪০ হেনবগী পীরকখিবা তলবগী শেনফম ফঙদবগীদমক মার্চ ২০১৮দা হি অদু মেরিতাইম ক্রেদিটরশিংনা ফাজিনখি। ক্রু মেম্বরশিংগী তোল্লিবা শেনফম অদু দোল্লর মিল্লিয়ন অমা (লূপা ক্রোর ৬.৯৭ লোম) রোমনি হি অদু এরেস প্রোসিদিঙ্কসকী শরুক অমা ওইনা মালটিজ সোসাইটি সি বিয়ুটি য়াষ্টিং লিমিটেদতা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩৫ (লূপা ক্রোর ২৭৭)রোম শিৎতুনা জুদিসিয়েল রি-ওক্সন অমদা সেপ্টেম্বর ২০১৮দা য়োনখ্রে।

কম্পিটিসন ওফ ক্রেদিটরস প্রোসিদিওর কৌবা প্রোসেস অমদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩৫গী শেনফম অমদগী ক্রেদিটরশিংগা পীগদবা শেনফমশিং পীগনি।

# ঐচ দবলিয়ু বুস লৈখিদ্রে



***ৱাসিংতন, দিসেম্বর ১ঃ***

কোল্ড ৱার মনূংদা অমেরিকাবু মমায় চুমখিবা হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট ঐচ দবলিয়ু বুস ঙরাং ইরাই নুমিৎতা লৈখিদ্রে মশাগী চহি ৯৯ শুখ্রে। মহাক্কী মচা ৫ অমসুং মসু ১৭ থমলমম্মি। মহাক্কী লোয়নবী বরবরা লৈখিদবগী থা খরগী তূংদা মহাকসু লৈখিদবনি।

ঐচ দবলিয়ু বুসনা য়ু এসকী ৪১ শুবা প্রসিদেন্টনি মহাক্কী হৈশিংলবা দিপ্লোমেটিক ফোরেন পোলিসিনা শান্তিগী ওইবা মওংদা ১৯৮৯দা সোভিয়েট য়ুনিয়নগী শক্তি থুগাইখিবনি। চহি ২গী মতূংদা ইরাক্কী মপা লৈতনা কল্লবা সদাম হুসেনবু মায়থিবা পীখিবা মমাঙদা অমত্তা লৈখিদ্রিবা কোলিসন অমা মহান্ন শেমখি। মহান্ন খ্বাইদগী শাংনা পূন্সিবা অমেরিকান প্রসিদেন্টনি।

ইনাক কৈরাক খুল্লবা ন্যু ইংলেন পোলিটিকেল দাইনেষ্টি- মায় পাক্লবা বেঙ্কর অমসুং কন্নেক্টিকৎকী সিনেটর প্রেস্কোট বুসকী মচানুপা ওইনা মসাচুসেট্টসকী মিলটনদা ১৯২৪গী জুন ১২তা জর্জ হরবার্ট ৱাল্কর বুস পোকখি।

লৈখিদ্রবা হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট ঐচ দবলিয়ু বুসনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা পোলিটিকেল দাইনষ্টি অমা লূচিংলমখি। মহাক্কী মচা নুপা জর্জ দবলিয়ু বুসপুসু য়ু এস প্রসিদেন্ট ওইহল্লমখি। মচানুপা জেপনা ফ্লোরিদাগী গভর্ণর ওইখি। মহাক্না লৈখিদবা অসি অমেরিকানা মরৈবাক নীংবা অমসুং নোল্লূকপা থৌমী অমা মাংজরে ঙসি ঐখোয়গী থমোয়শিং শোকই হায়না হান্নগী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি। মচা অমনা খ্বাইদগী পামজবা মপা হায়বদু মহাক্না ওইখি হায়না জর্জ দবলিয়ু বুসনা হায়খি।

**GAS TODAY**

**Khoriphaba (Nambol)**
Booking upto : 19/09/18
Valid from : 14/09/18
Sl. No. : 7947
Stk : CTC 300
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Lamsang Gas**
Booking upto : 03/10/18
Valid from : 19/09/18
Stk :306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Manipur Gas**
Booking upto : 03/10/18
Valid from : 26/09/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 9.30 a.m.

**Maibia Gas (Moirang)**
Booking upto : 03/10/18
Valid from : 26/09/18
Sl. No. :0223 to 0850
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Pheiyeng Gas**
Booking upto : 17/11/18
Valid from : 31/10/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m

সনা-সুদোকু -১৩৫১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| 4 | 2 | 8 | 9 | 3 | 1 | 5 | 7 | 6 |
| 7 | 6 | 5 | 2 | 4 | 8 | 3 | 1 | 9 |
| 3 | 9 | 1 | 5 | 6 | 7 | 4 | 2 | 8 |
| 6 | 4 | 9 | 3 | 1 | 2 | 8 | 5 | 7 |
| 5 | 8 | 3 | 7 | 9 | 4 | 2 | 6 | 1 |
| 1 | 7 | 2 | 6 | 8 | 5 | 9 | 4 | 3 |
| 8 | 1 | 7 | 4 | 5 | 9 | 6 | 3 | 2 |
| 9 | 3 | 4 | 1 | 2 | 6 | 7 | 8 | 5 |
| 2 | 5 | 6 | 8 | 7 | 3 | 1 | 9 | 4 |

MEEYO COACHING CENTRE [MCC]

*Sega Road Konjeng Hazari Leikai (Oppo. Sangai Express)*

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE

FOR CLASS X & XII Sc. and Arts (CBSE)

Class Commencing from 20th Nov. 2018

SPECIAL FEATURES
1. Well experienced faculties from the reputed Institutions.
2. Chapterwise test.
3. Special grand Mock test.
4. Providing probable

CLASS TIMING
Morning Shift
5.30 to 7.30
Evening Shift

SL/BILL/ P15days

For more details, Pliz contact. 7627982316/ 7005025873

**SANA - SUDOKU**

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without*

**Hard Sana Suduku-1352**

| | | | | | | | | |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| 2 | | 1 | | 5 | | 4 | | |
| 7 | | 9 | | | 1 | | 3 | |
| | | | | 2 | 4 | 1 | | 9 |
| 8 | 9 | | | | 2 | 3 | | |
| | 1 | 5 | 4 | | | | 2 | |
| 4 | | | 1 | | | | 5 | 7 |
| 5 | | | | 1 | | | | 4 |
| | 7 | | 3 | | | 2 | | |
| | 2 | 4 | 8 | | | 7 | | |